# ꯃꯩꯇꯩꯂꯣꯜ ꯀꯥꯡꯂꯣꯟꯗꯥꯃꯪꯅ & ꯃꯅꯁꯗꯪꯅ ꯗꯥꯂꯗꯁ ꯂꯪꯋꯣꯗ
## H.O. ꯂꯃꯪꯅꯒꯦ ꯖꯃꯁꯐ ꯇꯩꯗꯃ ꯁꯐꯖꯅ

**SCHEDULED TRIBE DEMAND COMMITEE, ALTERNATIVE ADMINISTRATIVE DEMAND, INNER LINE PERMIT SYSTEM**

Scheduled tribe demand committee না তাল্লিবা মীতৈ/মৈতৈ India গী scheduled tribe list তা য়াওনবা হোৎনরিবা অসিগা, নাগাগী মহুৎ শিল্লিবনি হায়রিবা UNC হায়বা অমনা তাল্লিবা অসিগা পন্থুং অমতনি, শরৌ (conspiracy) অমত্তগী মমায় অনিনি । তাল্লিবা অনি অসিগী পন্থুংদি অমতা ওইবা চহী ২০,০০০ (লিশিং কুন) মুক নিংখৌ পানবা লৈবাক অমগী মপু ওইদুনা পাল্লকপা মীতৈবু তমপাক্কি লমদা নমদুনা থমজিল্লিগা, মাংখীদৌরবা য়েলহৌমী মশিং য়ামদবা কাংবু ওইহনদুনা, মপুং ফানা মুৎথিনবা/মাংখিনবা,ময়াংগী মথা পোনদুনা নৈহৎতুনা মুৎথিনবা শরৌ (conspiracy) অমগী পন্থুংনী ।

চংশিল্লকলিবা Demand অনি অসিগা,India govt অমসুং মনিপুর India govt. গা অনি অসিগা মনিপুরদা Inner line permit system থমবা য়াদবা অসিগা, শরৌ অমগী অন্থুমশুবা মরমনি, Demand অন্থুম অসি অমগা অমগা য়াম্না নক্নবা লোন্না মতেং পাংনৈ ।

<u>Demand of Inclusion of the meetei/meitei to the list of scheduled tribes</u>

মীতৈ/মৈতৈনা India গী scheduled tribe list য়াওবা হায়বসি মনিপুরদা মীওঁই খরনা পংলাউ লাউরিবা অসিদি পঙ্গায় হায়বনি । হৌজিক ময়াম মরকতা,scheduled tribe ওল্লবদি ময়াংনা মীতৈদগী লম লৈবা য়াররোই , থবক চংবদা অসিনচিংবা কয়াদা কোতা চাওনা লাইনা ফংগনি অসিনচিংবা কয়া পঙ্গলাউ লাউরি, ওইথোকলোইদবা ঙাক্তনি ।

ঐখোয় মীতৈনা ST ওবা হায়বসি Indian constitution গী মখাদা চংগদবনি । পঙলাউ লাউরিবা অসিনা ওইগদবা নওে । মসিগীদমক Indian constitution art. 342 য়েংবিয়ু । Indian constitution শেম্বা মতমদা খন্নখিবা খরা খংবিনবা, A study of the constituent assembly Debates গী page 748,749 য়েংবীয়ু, Dr. Ambedkar অমসুং Jagjivan Ram না য়েৎখিবা ৱায়েৎ কয়া উবা ফংবীগনি ।
Indian constitution গী ST list তা মীতৈ/মৈতৈ না হেক য়াওবগা মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়না য়ানা ঐখোয়গী কংলৈপাক (মনিপুর) দা মীতৈ/মৈতৈ minority aborigin (য়েলহৌমী) ওইরনি / majority না ময়াংনা ওইরনি ।

<u>Alternative administrative demand of the Naga</u>

মনিপুরদা নাগা নি হায়বা তাংখুল না অয়াম্বা, কবুই খরা, অতৈ খর খরনা "নাগাগা মৈতৈ গা পুনবা য়ারোই" হায়না ইফোং ফোংনা লাউই । অপুনবা নাগা মীশিংগী কাংবু অসিনা মশিং কয়া শুরদুনা লাউরিবনো খঙ্দে । মীতৈ অমসুং চীংগী মীশিং অসিগা করি মরি থোকনৈ খন্থবা মথৌ তাই । খুৎলায় পায়বা খরনা শরকারগা য়ানরগা অফাওবা শাবা মাল্লি । শেল খাউজাউ খাউজাউ ফংদে হায়বসু ঙমদে । অদুবু Indiaগী হৌজিক্কী political scenario অসিদা, নাগাশিংনা কনামতা য়াওদবা, কুকিসু য়াওদবা, মখোয়দগী ওইবা Alternative Administrative unit অমা তাল্লিবা অসি ওইথোকলোই হায়নিংঙাই লৈতে । মসি Naga শিংগী অরুনাচল প্রদেশ তগী, অসামদগী, মনিপুরগী অসিনচিংবা লম কোৎথোক্লগা মখোয়গী ওইবা State অমা শেম্ন বগী ময়োল চোংলকপা (Germinative Stage) গী মওং অমনি ।
Naga শিংনা Alternative Administration unit অমা ফংখিবা তারবদি, Kuki শিংনা চপমান্নবা unit অমা ফংদ্রিবা ফাওবা অচৌবা India গী Political problem অমা থোক্লকনি । মসি New Delhi না য়াম্না মুন্না খংই । New Delhi গী হৌজিক্কী ৱাখলদি অনিমক অসি পীথোকপনি । Indiaগীদি হৌজিক্কী Nagaland অসিসু মপাঙ্গল শোঙ্গনবা, Nagaland দগী অচৌবা District মরি খায়দোক্লগা 'Frontier Nagaland' শেম্বা খোংজং কনখৎলকলি ।

Naga অমসুং Kuki শিংনা মখোয়গী Alternative Administrative unit শিং ফংখ্রবদি মীতৈ কমদৌবা ?
কংলৈপাক (হৌজিক্কা মনিপুর কৌরিবা) চীংলৈপাক অসিগী লম অসি ২২,৩২৭ sq. km. নি । মনিপুর তমপাক্কী, মরু ওইনা মীতৈশিংনা তারিবা লম অসিগী পাকচাওবা ১,৮৪৩ sq. km. নি(Dr. M.T. Laiba গী The Geography of Manipur য়েংবীয়ু) । মরম অসিনা মনিপুরগী তমপাক্কী লম অসি অপুনবা মনিপুরগী লমগী ১২ থোকপগী ১(অমা) তনি, চামগী ওইনা পারবদি ১০০ গী মনুংদা ৮ (নিপান) দনি ।

হৌজিক হৌজিক মনিপুরদা চীং অমসুং তমগী মীশিংগা মপান্দগী চংলকপা ময়াংনা মশিং হেনগদৌরে হায়বসি খংবদগী Inner Line Permit System থমবীয়ু হায়দুনা Central government অমসুং মনিপুর government তক্নরি, য়াবীদ্রি ।

চীংগী লমদদি, নাগা অমসুং কুকি লমশিংদা, মীতৈ য়াওনা কনা অমতা লম লৈবা খুন্দাশিনবা য়াদে, হাম্নদগী । অদুবু ১০০ গী মনুংদা ৮ খকতা ওইবা তমপাক্কী শরুকতদি চীংগী মী, ময়াং পুম্নমক লম লৈদুনা খুন্দশিনবা য়াই । অদু ওইরবদি মপান্দগী ময়াংশিংনা ইশিং ইচাওগ্গ চংশিল্লকলিবা অসিগী পন্থুংফমদি মীতৈগী তমপাক লমদম্ননি । অদু ওইরবদি তমপাক্কী লম অসিদা চহী ৩০ (কুনথ্রা) মুক্কী মতুংদদি চীংগী তম্মী অসি পুনশিনবদগী ময়াংনা মশিং য়াম্না হেনখ্রনি । Democracy মতুং ইন্না কনানা শরকার পায়গনি ? তশেংনা ময়াংনা শরকার পায়খ্রগনি, তমপাক্কী Administrative unit তদি । মসি করিসু চীংননিংঙাই লৈতে, চহী ৫০(য়াংখৈ) গী মতুংদদি ।

Scheduled Tribe Demand committee না kangleipak তা ওইদবা, ওইররোইদবা ৰাফম কয়া শন্দোকপা হৌরকলে । চীংদা মীতৈশিং লৈনিংদে হায়বনা চীংবা কয়া । অচুমবা নওে । অচৌবা officer খরগী ৰাফমদি চুম্বা য়াই, মীতৈ মীয়ামগী দি শুক্কচুম চুমদে । শেনচা থুমচা তৌদুনা শেনচাওপায়রবা কাংবুদি, নুংঙাইবা লমবীদা অফবা অহনবা কার থৌদুনা, য়ুমদা অথুম অহাও চাদুনা লৈনিংগনি, চীংদা চৎনিংলোই । অদুবু নোংমগী চারা মপুং ফানা তানবা ঙমদ্রবা মীয়ামগীদি মদু নওে, মখোয়গীদি থবক ফংগদবা , লৈফম লম ফংগদবা মফমদা চৎনিংগনি । মসি হৌজিক্কী মনিপুরগী অশেংবা শকত্অনি ।

<u>Scheduled Tribe Demand Commitee</u> না Inner Line Permit গী ৰাফম ঙাংদ্রিবা, পন্দ্রিবা করিগীনো ?

কংলৈপাক্কী ইপা ইপুশিংনা নিংতম্না থমবীরমবা নুংশিরবা কংলৈপাক, ইপা লৈপাক কংলৈপাক, অমদি মলেমদা ইহান হানা মপু মাগী মশক য়েংদুনা শেমখিবা তাইবং মী, মীতৈবু কনশি হায়রবদি কংলৈপাক (মনিপুর)দা ILP থমজিন্দুনা য়েলহৌমী নওবা মীতোপ অমতা চংহনদবা, লৌ ইংখোল লৈহন্দবা, অসি নওনা অতোপা পাম্বৈ অমতা লৈতে । মসি কংলৈপাক য়েলহৌমী ঐখোয় খুদিংনা খংগদবনি । মসি খংবা ঙমদ্রবদি, মীতৈ য়েলহৌমী ঐখোয়গী, চহী ৫০ গী মতুংদদি, লৈনবা লম লৈররোই, য়ুমগী মপু ওইররোই, লৌ উনবা মফমশিং য়েলহৌমী ঐখোয়গী খুৎতগী মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মখুৎতা চৎখ্রগনি ।

হৌজিক হৌজিক মীৎকুপ অসিদা কংলৈপাক্কী তমপাক্কী লম মচেৎ অসিদা মীতৈ মশিংদগী মীয়ানচাশিংগী মশিংনা হেল্লে হায়না চিংনরবনি, খংনরবনি । মসি চুম্লবনি ।

মতাং অসিদা Inner Line Permit থমদুনা মীতৈ য়েলহৌমী কন্নবা হোৎনবা নৎতনা অতৈ পাম্বৈ করি লৈরি । নোংমা নোংমাগী ইচাওগী মতৌগুম্বা চংশিল্লক্লিবা মীতোপ মীয়ানচাশিং অসি লৈঙাক্কী পথাপ (Law) অমনা থিংবা নওনা , ঐখোয় য়েলহৌমী মশীংদগী মীতোপ মীয়ানচাশিং মশিং হেনখিদনবা হোৎনবা নওনা , অতোপা পাম্বৈ করি লৈফম থোকই ।

Andhra গী হৈশিংলবা মীয়াম্না তেলঙ্গলনা খায়দোকপা থিংবা ঙমখিবরা ? মখোয়গী Chief Minister ফাওবা ফম থাদোকতুনা তেলঙ্গলনা খায়দোকপা য়ারোই হায়দুনা কেশ তৌরি, হৌজিকপু মখোয়না তেলঙ্গলনা কনবা, দিল্লিগী মখুৎতগী মুনবা ঙমগদ্রা ? ঙমলোই ।

মতমগী মতুং ইন্না নাগাশিং Independent Administrative Unit শেমখিনি, কুকিগীসু পীখিনি, কনানসু থিংবা ঙমলোই ।

<u>Tripura</u> গী হৌজিক্কী শকতম মুন্না য়েংবীয়ু ।

Tripura অসি য়েলহৌমী মোংগোলোইদ ওইবা মী কংলুপনা নিংথৌ পান্দুনা লৈরম্বা Mongoloid Country মচা অমনি । মখোয়গী মীশিং অসিসু য়াম্না হৈ শিংবা Mongoloid মীওই কাংবু অমনি । হৌজিক্তি Tripura গী য়েলহৌমী কাংবু অসি অপুনবা Tripura গী মীশিংগী ১৮% দগী হনথখে । য়েলহৌমী নওবা মীয়ান মীতোপশিংনা ৮০% দগী হেন্না Tripura দা লৈখ্রে । শরকার অমসুং ৰায়েল থৌদা পুন্নমক মীতোপ মীয়ানতাশিংগী মখত্তা লৈখ্রে, মখোয়না পাইখ্রে । অদু ওইরবদি মীতোপ মীয়ানচাশিংনা লম লৈবা য়াদবা, খুন্দাবা য়াদবা, Scheduled Tribe ওল্লগা খুদোংচাবা ফংবা অসিনচিংবা ময়াম অমা Scheduled Tribe Demand Commitee না লাউরিবা অদু হৌজিক য়েলহৌমী Tripura শিংনা ফংলিব্রা? ৰাফম অসি মুন্না Scheduled Tribe Demand Commetee না খংবিরব্রা? Scheduled Tribe Demand Commetee না মীতৈ/মৈতৈবু Scheduled Tribe ওলহনদ্রিঙৈদা ৰাহং কয়াগী পাউখুম পীবীনবা হোৎনবীখো ।

হৌজিক হৌজিক Delhi Government কী ৰাখল মখল, লীচৎ শাজৎ ILP থমবীয়ু য়াদবা, নিংতম্না চহী লিশিং কয়া পানজরকখ্রবা কংলৈচা য়েলহৌমী শিংদা মীওৎগী পাম্বৈ ওইরিবা অফস্পা লৌথোক্লবা India গী মীয়াম্না, মালেম্না হায়রবসু য়াদবা , পুন্নমকসি য়েংলুরগা কংলৈচা য়েলহৌমী মীয়ামগী ৰায়েল থৌদাগী পাঙ্গল, লমগী মপু ওইবগী চৎনা পাথাপ, শম্না হায়রবদা কংলৈচা য়েলহৌমীশিংগী লৈজরিবা পুন্নমক মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মখুৎতা লৈখ্রগনি হায়বদা চীংননিংঙাই লৈরিব্রা ?

চহী লিশিং কুনমুক ভারতকী হিন্দু মচাশিং অসিনা ভারতকী হৌজিক্কী লমদা খোংদারকত্রিঙৈদা, নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা শেমদুনা পাল্লম্লবা কংলৈপাক্কী মীয়ামগী হীংনবগী অমতা ঙাইবা, অমতা ওইবা পাম্বৈদি করিগুম্বা অমা তৌদুনা মীয়ানচাশিংগী ঈশিং ঈচাও অসি থিংহৌবনি । মসিগী পাম্বৈ মচা অমা ওইনা ILP system থম্নবা পুন্না হোৎনমিন্নবা অসিনা ঐখোয় য়েলহৌমীশিংদা খরদি কান্নবা পীগনি, অতোপপা মখলগী লাউরিবা পুন্নমক অসিদি নমথাক্কী খোলাউ ঙাক্তনি।

**Please Comment:**
Email_id:
**chingtamlen@gmail.com**

**Wangkhemcha Chingtamlen**
**President,**
**Kangleipak Historical & Cultural Research Centre**
**Sagolband Thangjam Leirak.**
**<u>15/03/14</u>**